**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI EVENING NEWS SCRIPT AT 7.30 PM**
**(Date: 02-04-2025)**

**রাজ্যপাল (এল)ঃ** থাংজিং সেবা মন্দল, হিষ্টোরিকেল হেরিটেজ দিবলপমেন্ট ওর্গনাইজেসন অমসুং কমিতি ওন প্রোটেক্সন এন্দ প্রিজারভেসন ওফ দ হিষ্টোরিকেল রাইটস ওফ কৌব্রু এন্দ থাংজিং হিল রেঞ্জেসকী মীহুৎশিংগা রাজ্যপাল-অজয় কুমার ভাল্লাগা ঙসি ইম্ফালগী রাজ ভবনদা উন্নখ্রে।

লাইনিং লাইশোলগা মরী লৈনবা থাংজিং অমসুং কৌব্রু চিংগী লাইফমলেনশিংদা লাই খুরুম্বা চৎপা ঙমদবগী খুদোংচাদবশিং মায়োকরিবা অদু লুপশিং অসিগী মায়কৈদগী রাজ্যপালদা নীংথিনা পাউদমদুনা খঙহনখি। ৱাফম অসি মরী লৈনবশিংগা পাউ ফাওনদুনা থবক্তা ওন্থোকবা য়েংশিল্লগনি হায়নসু রাজ্যপালনা থাজবা পীখি। উন্নবা অদুদা সেক্যুরিতি এদভাইজর, রাজ্যপালগী সেক্রেটরি অমসুং বিষ্ণুপুরগী এস.পিনচিংবা শরুক য়াখি।

অমরোমদা, শিরুই লিলি ফেষ্টিবেল ২০২৫ গী অহানবা ওর্গনাইজিং কমিতিগী মীফম ঙসি রাজ্যপাল-অজয় কুমার ভাল্লানা সভাপতি ওইদুনা পাঙথোকখ্রে।

ইম্ফালগী রাজ ভবনদা লৈবা কনফরেন্স হোলদা পাঙথোকখিবা মীফম অদুদা ফেষ্টিবেল অসি অশোয় অঙাম য়াওদনা নীংথিনা পাঙথোকপা য়ানবা তোঙান তোঙানবা ৱাফম কয়া খন্নখি। মীফম অদুদা দি.জি.পি., পি.সি.সি.এফ, প্রিন্সিপাল সেক্রেটরি, কম্মিস্নারশিং অমসুং পুলিস, মিলিটরি অমসুং সিভিলগী মকোক থোংবা ওফিসিএল কয়া শরুক য়াখি।

**মেলা (এল)ঃ** নুমিৎ ১৪ নি চত্থগদবা ষ্টেট হেন্দলুম এক্সপো (হাটকরঘা) মেলা ঙসিদগী ইম্ফাল ইষ্টকী নিলাকুথিদা লৈবা অবার্ন হটতা হৌখ্রে।

মনিপুর হেন্দলুম এন্দ হেন্দিক্রাফট দিবলপমেন্ট কোরপোরেসন লিমিটেদনা কেন্দ্রগী টেক্সতাইল মন্ত্রালয়গী মখাদা শিনবা মেলা অসিদা খুৎশা-হৈবগী পোৎথোকশিং উৎপা স্তোর ৬০ রোম হাংলি।

হৌদোকপগী থৌরমদা ব্রা ঙাংবদা মনিপুর হেন্দলুম এন্দ হেন্দিক্রাফট দিবলপমেন্ট কোরপোরেসন লিমিটেদকী মেনেজিং দাইরেক্তর-এলাংবম জিতেননা হায়-হৌজিক্কী মতমদা অকোইবগী খল ঙাক্তুনা থমবা হোৎনবদা খুৎশা-হৈবশিংগী চাউরবা দায়ত্ব লৈ। মহাকা হায়-খুৎশা-হৈবশিংনা পুথোক্লিবশিং অসিনা অকোইবগী খলদা কায়হল্লোইদবা পোৎথোকশিং পুথোকপা তঙাইফদে।

মহাকা হায়-লমদম অসিদা পুথোকপা পোৎথোকশিং হেন্না পুথোকহনগে হায়রবদি লমদম অসিগী মীয়ামনা পোৎলমশিং অসি শিজিন্নবা তঙাইফদে।

**রঞ্জন (এল)ঃ** হান্নগী কেন্দ্রগী মপান থৌরম রাজ্য মন্ত্রি-ডা: রাজকুমার রঞ্জন সিংহনা হায়রি-বিমস্তেক্তা য়াওরিবা লৈবাক তরেৎকী মনুংদা শেল থুম, কালা সংস্কৃত্তি অমসুং জিও-পোলিটিকেলগী লমদা মরুওইবা তেংবাং কয়া পীনদুনা লাক্লি।

থাইলেন্দগী চুলালোংকোর্ন য়ুনিভরসিতিদা ঙরাং পাঙথোকখিবা অহুমশুবা বিমস্তেক দাইলোগ ২০২৫ দা শরুক য়ারদুনা ডা: রঞ্জননা হায়-ভারতকী এক্ট হষ্ট পোলিসি অমসুং থাইলেন্দগী নোংপোক্তা য়েংবা থৌশিলনা লৈবাকশিং অসিগী মরক্তা হেন্না ফবা মরী থমবা হোৎনবদা অচৌবা থৌদাং লৌরি।

**উখ্রুল(এল)ঃ** উখ্রুলদা ঙসি ফ্রি মুভমেন্ট রেজিম থমজিলহন্নবা অমসুং নাগা তাবা মফমশিংদা ঙমখৈ শম্বল খাবা তোকবা দাবীশিং তকশিনদুনা মীয়ামগী খোঙচৎ অমা চৎখ্রে।

উখ্রুল অমসুং কামজোং জিলাগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদগী লাকপা

মীয়ামা শরুক য়াখিবা রেল্লি অদু লোয়শিল্লকপদা উখ্রুল দিষ্ট্রিক্ট হেদক্বাটরসকী গ্রাউন্দদা মীয়ামগী মীফম অমা পাঙথোকখি। তুংদা মখোয়না উখ্রুলগী দিপ্যুতি কম্মিস্নারগী খুথাংদা প্রধান মন্ত্রিদা মেমোরেন্দম অমসু পীশিনখি। মীফম অদুদা ফুংয়ারগী এম.এল.এ. লৈশিও কৈশিং অমসুং চিংঙাইগী এম.এল.এ. খাশিম বাশুম য়াওনা তোঙান তোঙানবা সিভিল সোসাসইতি ওর্গনাইজেসনশিংগী লুচিংবা কয়া শরুক য়াখি।

**কংগ্রেস (এল)ঃ** মনিপুর প্রদেস কংগ্রেস কমিতি (এম.পি.সি.সি) গী ভাইস প্রসিদেন্ট-হরেশ্বর গ্বাশামীনা হায়রি-কুমজা ২০২১ গী সেন্সস রিপোর্টতা যুম্ফম ওইরগা দিলিমিটেসন তৌবা য়ারোই।

ইম্ফালগী কংগ্রেস ভবনদা ঙসি পাউমীশিংগা উন্নবা অমদা শ্রী গ্বাশামীনা হায়-কুমজা ২০২১ গী সেন্সস রিপোর্ট অসি য়ামা কুইরবা মরমনা মসিদা যুম্ফম ওইদুনা দিলিমিটেসন তৌবা অসি অচুম্বা ওইরোই। মরম অদুনা, নীংথিনা ভেরিফিকেসন তৌদুনা য়েংশিল্লবা মতুংদা দিলিমিটেসন তৌবনা অচুম্বা খোঙথাং ওইগনি হায়রি৷

**গাড়ি (এল)ঃ** গাড়িদা টিন্টেদ গ্লাস নৎত্রগা ব্লেক ফিল্ম নপ্পশিং মশা মশানা অথুবা মতমদা লৌথোকবা লৈঙাকা খঙহল্লি।

রাজ্যগী ট্রান্সপোর্ট দাইরেক্তর-ডা: নিবেদিতা লাইরেনলাকপমনা থোকপা চেরোল অমদা হায়-অসিগুম্বা গাড়িশিংগী মিংশেলদা মমহনবগী থৌওংশিংনা আইন অমদি শান্তি রক্সা ঙাক্লিবা সেক্যুরিতি পার্সোনেলশিংদা খুদোংচাদবা কয়া থেংনরি। অসিগুম্বা আইনগী ৱাংমদা মিংশেল মমহনবগী থৌওং চথরিবা মাওইশিংনা টিন্টেদ গ্লাস নৎত্রগা ব্লেক ফিল্ম লৌথোক্ত্রবদি মখোয়গী মথক্তা আইনগী মতুং ইন্না অকনবা থবক লৌখৎলগনি।

**ওরেল (এল)ঃ** ৱার্ল্ড ওরেল হেলথ ডেগী থৌরমগা মরী লৈননা লেমা য়া লায়েংবগী থৌরম অমা ঙসি ককচিং ৱাইরিদা লৈবা কোঙ্গোই কম্যুনিতি হোলদা পাঙথোকখ্রে।

জেনিমস ইম্ফালগী দেন্টেল কলেজ অমসুং পেদিয়াত্রিক অমদি প্রিভের্ন্টিব দের্ন্টিসত্রিনা পুন্না শিনদুনা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা লাঞ্জেন্নরকপা মীওই ৩০ য়াওনা পুন্না মীওই ১৫০ রোম লায়েংখি। থৌরম অদুগা মরী লৈননা ৱা ঙাংবদা জেনিমসকী দেন্টেল কলেজকী পেদিয়াত্রিক এন্দ প্রিভের্ন্টিব দের্ন্টিসত্রিগী এসোসিয়েট প্রোফেসার-ডা: সরনা নিংথৌজমনা অসুমা হায়-

**চান্দবাবু (এল)ঃ** প্রোফেসার-ডব্লিয়ু. চান্দবাবু, ঙসিদগী ধনমঞ্জুরি য়ুনিভরসিতিগী ভাইস চাঞ্চেল্লর ওইনা থবক পুবা হৌখ্রে।

নৌনা ফম অসি পুরবা প্রোফেসার চান্দবাবুনা হায়-ধনমঞ্জুরি য়ুনিভরসিতিবু মপুং ফাবা য়ুনিভরসিতি অমা ওইহনবা হায়বসি য়ুনিভরসিতি অসিগী মখাদা লৈরিবা কলেজশিং, ষ্টাফ অমদি সরকার পুন্না থৌদাং লৌমীন্নবা তঙাইফদে। মসিগী মথক্তা য়ুনিভরসিতি অসিগী একাডমীক কেলেন্দর নীংথিনা পাঙথোক্তুনা মহৈ মশিং তম্বগী থবকশিং হেন্না ফগৎহন্নবা হোৎনগদবনি।

**মনা (এল)ঃ** রাজ্যগী এদুকেসন (এস) বিভাগনা শিনদুনা ক্লাস টেন অমদি টুয়েল্বকী পরিক্ষাদা থোইদোক হেন্দোকপা ওইরকখিবা সরকারগী স্কুলশিংগী মহৈরোইশিংদা ২০২৪-২৫ গী ওইনা মনা য়েন্থোকপগী থৌরম অমা ঙসি ইম্ফালগী কোনুং মমাংদা লৈবা মনিপুর ষ্টেট ফিল্ম দিবলপমেন্ট সোসাইতিগী ওদিটোরিয়মদা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা ৱা ঙাংবদা রাজ্যগী চীফ সেক্রেটরি-প্রসান্ত কুমারনা হায়-কুমজা ২০১৮ দগী হৌদোকখিবা পুকিং থৌগৎতুনা মনা-মথুমশিং পীবা থৌশিলগী মখাদা অসিগুম্বা মহৈরোইশিংদা শেলগী তেংবাং পীবনি। থৌশিল

অসিগী মখাদা রাজ্যগী থাক্তা অহানবদগী মরিশুবা মফম ফাওবা তারবা মহৈরোইশিংদা মথংশিৎনা লুপা লাখ মঙা, লুপা লাখ মরি, লুপা লাখ অহুম অমসুং লুপা লাখ অমা পীরি। জিলাগী থাক্তনা অহানবা তারবা মহৈরোইদা লুপা লিশিং ৫০ অমসুং অনিশুবা তাবা মহৈরোইদনা লুপা লিশিং ২৫ পীবনি। মনা অসি পুন্না মহৈরোই ৫৮ দা পীবনি।

মহাকা হায়-মহৈরোই ৫৮ গী মনুংদা ৪৫ দি লৈঙাকা পায়খৎপা স্কুল ফগৎহনসি হায়বা থৌশিলনা কোনশিনবা লৈঙাক্কী স্কুলশিংদগীনি। মহৈ মশিং তম্বগী লমদা লৈঙাকা পায়খৎলক্লিবা থৌশিল থৌরাংশিংনা মখা তানা লৈঙাক্কী স্কুলশিংদা অফবা মহৈরোই হেন্না পুথোকপা ঙম্লকখিগনি হায়নসু চীফ সেক্রেটরিনা থাজবা ফোংদোকখি।

থৌরম অদুদা, এদুকেসন (এস) কী সেক্রেটরি-এন. প্রবিন য়াওনা মকোক থোংবা ওফিসিএলশিং অমদি ওজাশিংনা শরুক য়াখি।

**এমপিপি (এল)ঃ** মনিপুর পিপলস পার্টি (এম.পি.পি) না শিনদুনা নোংমগী ওইবা পোলিটিকেল এৱারনেস অমদি লৌমীশিংদা মরু-মরাং য়েন্থোকপগী থৌরম অমা ঙসি ইম্ফাল ৱেষ্টকী কাচি খুল কম্ম্যুনিতি হোলদা পাঙথোকখ্রে।

‘ঐখোয় থবক শুরসি’ হায়বা হীরমদা চত্থরকপা থৌরম অদু মরুওইনা লমদম অসিগী লৌমীশিংনা পোৎথোক হেন্না পুথোক্তুনা রাজ্য অসিগী শেন মীৎলোন ফগৎহন্নবগী ৱাখল্লোনদা চত্থরকপনি হায়রি।

**ওটিজম (এল)ঃ** রিমস ইম্ফালগী জেনরেল ও.পি.দি. কমপ্লেক্সতা ঙসি ওটিজমগী মতাংদা মীয়ামদা হেন্না খঙহন্নবা মালেমগী নুমিৎ পালন পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা অখঙ অহৈশিংনা ওটিজমগী মতাংদা ৱা ঙাংবগা লোয়ননা মীয়ামদা হেন্না খঙহন্নবা থৌরমশিং পাঙথোকখি।

**শেংবা (এল)ঃ** দি.এফ.ও. সেন্ত্রেল ফোরেষ্ট দিভিজনগী মীৎয়েং মখাদা সদর ৱেষ্ট রেঞ্জগী রেঞ্জ ফোরেষ্ট ওফিসারনা লুচিংদুনা চৈরাউ চীংদগী ফত্ত-হাউদি প্লাষ্টিকচিংবা অমোৎ অকায়শিং শেংদোকপগী দ্রাইব অমা চঞ্খ্রে।

মীয়ামনা শিজিন্নবা লোয়রবা মতুংদা প্লাষ্টিক ৱেষ্টশিং অসি মফম অমদা হেক্তা হুন্দোকপগী হৈনবী থাদোকপীয়ু হায়না দি.এফ.ও. সেন্ত্রেল দিভিজনগী মায়কৈদগী আপিল তৌরক্লি।

**থোং (এল)ঃ** হস্ফাল ইষ্টকী খুরাই কোংপালদা লৈবা থৌবানদোং থোং অসি নৌনা শানবগীদমক দরকার লৈবা থবকশিং পায়খৎপা হৌনবা থোং অসি লানবা মতম খরগী ওইনা থিংলে হায়রি।

ৱাফম অসি নেতাজি মেমোরিএল ক্লব-খুরাই কোংপালনা থাদোরকপা চেরোল অমদা হায়বনি।

**ৱাকফঃ** ৱাকফ (এমেন্দমেন্ট) বিল-২০২৫, ঙসি লোক সভাদা খন্নখ্রে।

কেন্দ্রগী মাইনোরিতি এফিয়ার্স মন্ত্রি-কিরেন রিজিজ্না বিল অদু সভাদা পুথোক্লদুনা হায়-বিল অসিনা মুস্লিমশিংগী লাইনিং লাইশোলগা মরী লৈনবা হীরম অমত্তদা অকায়বা পীরোই। মসিনা ৱাকফ বোর্ডকা মরী লৈনবা লন-থুম খক্তগা মরী লৈনগনি। মহাকা হায়-সরকারনা ৱাকফ বোর্ডশিংবু ধর্ম্মদা মীচং মীখায় নাইদবা মওংদা শেমদোকপা পাম্মী। বিল অসিদা মসজিদশিং শিল-লাংবগা মরী লৈনবা ৱাফম অমত্তা য়াওদে।

মন্ত্রিনা হায়-বিল অসিগী মতাংদা বিরোধি দলশিংনা মীয়ামবু লান্না লমজিংনবা হোৎনরি। হৌজিক চৎনরিবা আইন অসিগী শরুক খরবু লান্না শিজিন্নদুনা লৈবাক অসিগী মফম অমবু ৱাকফ বোর্ডকী লন-থুমনি হায়না হেক্তমক লাউথোকপা য়াবগী মওংদা চঞ্খরি। সভাদা বিরোধি সদস্যশিংনা হংল্লকপা ৱাহং অমগী পাউখুমদা গৃহ মন্ত্রি-অমিত সাহনা হায়-জোইন্ট

পার্লিয়ামেন্টরি কমিতি অমনা কুপা খন্নরবা মতুংদা পীখৎলকপা ৱাফমশিং কেন্দ্রগী মন্ত্রি-মন্দলনা তারবা মতুংদা অয়াবা পীদুনা বিল অসি শেমদোকবা সভাদা পুথোরকপনি।

**পিএমঃ** প্রধান মন্ত্রি-নরেন্দ্র মোদিনা হায়রি-নেসনেল এদুকেসন পোলিসি ২০২০ না জাতি অসিগী লাইরিক লাইশু হৈরবা মীওইশিংগী মরুওইবদু নৌহৌননা নীংশিহল্লি অমসুং অনৌবা টেকোলোজিশিংদা অখন্নবা মীৎয়েং থল্লি।

কেন্দ্রগী শিক্ষা মন্ত্রি-ধমন্দ্রে প্রধাননা পাউ-চেশিংদা ভারতকী এদুকেসন সেক্তর হৌখিবা চহি তরারোম অসিদা শিংথানিংঙাই ওইনা অহোংবা পুরকপা ঙমলে হায়না ফোংদোকখিবা ৱাফমগী মতাংদা পল্লদুনা শ্রী মোদিনা হায়-অনৌবা শিক্ষাগী পোলিসি অসিনা লৈবাক অসিবু মালেমগী মমাংদা মরোমদোম লেপচবা ঙমহন্নবা হোৎনবদা চাউনা মতেং পাংলগনি।

--**হৌজিক শান্নবগী পাউ, মংশাতাবম প্রেমানন্দদগী**--

**ফুটসাল (এল)ঃ** লোইতোংবম সরত সিংহ মেমোরিএল ফার্ষ্ট ৱিমেন্স ফুটসাল ইন্টর ক্লব চেম্পিয়নসিপ ২০২৫-২৬ কী ঙসি শান্নখিবা মেটচতা-য়ঙ ৱেলফিয়ার ক্লব অমসুং মনিপুর পুলিস স্পোর্টস ক্লব পাঞ্জল ৬-৬ চন্নদুনা দ্রো চৎখ্রে।

ঙসি শান্নখিবা অতোপ্পা মেটচশিংদা-এফ.সি. ইম্ফালনা খুমন এফ.এবু পাঞ্জল ৩৬-৩ অমদি ইষ্টর্ন স্পোর্টিং য়ুনিয়ননা মনিপুর য়ুনাইটেদ এফ.এবু পাঞ্জল ১১-৭ তা থোইখি।

**ফুটবোল(এল)ঃ** মঙাশুবা ষ্টেট লেবেল ওপন ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০২৫ গী ঙসি শান্নখিবা মেটচতা ডব্লিয়ু.এফ.সি. ৱাইখোঙ অমসুং এফ.সি.এল. লমজাউ

পাঞ্জল ৩-৩ চন্নদুনা দ্রো ওইখ্রে। ঙসি শান্নখিবা অতোপ্পা মেটচ অমদনা ঐচ.এফ.সি. লাংমৈদোংনা পি.এফ.টি.সি. শামরামবু পাঞ্জল ৭-১ দা থোইখি।

**ফুটবোল (এল)ঃ** অহানবা শামুরৌ চিংগোং ট্রোফি-২০২৫ গী ঙসি শান্নখিবা মেটচতা-কুকু এফ.সিনা এস.এল.এফ.সি-শামুরৌবু পাঞ্জল ৩-১ দা থোইখ্রে। অতোপ্পা মেটচ অমদা, পান্থোইবী এফ.সিনা য়ু.সি.এফ.এ. লাইফ্রাকপমবু পাঞ্জল ৪-২ দা থোইখি।

**লিগ(এল)ঃ** ১৭ শুবা মনিপুর ষ্টেট লিগ ২০২৪-২৫ গী ঙসি শান্নখিবা মেটচতা-মীলন এফ.এনা নোর্থ ইষ্টর্ন স্পোর্টিং য়ুনিয়নব্ পাঞ্জল ২-০ দা থোইখ্রে।

ঙসি শান্নখিবা অতোপ্পা মেটচশিংদা-য়ুথ ওর্গনাইজেসন স্পোর্টিং ক্লবনা রাহি য়ু.সিবু পাঞ্জল ৩-০ দা থোইখি।

**লোক্তাক (এল)ঃ** ১৫ শুবা লোক্তাক ট্রোফি অন্দর সভেনটিন টুর্নামেন্টকী ঙসি শান্নখিবা মেটচতা-ৱাই.এস.ডব্লিয়ু.এ. উৎলৌ অমসুং জি.দি.সি. থিংনুংগৈ পাঞ্জল অমত্তা চন্নবা ঙমদনা দ্রো ওইখ্রে।

**কাং (এল)ঃ** অনিসুবা ককচিংতাবম কুঞ্জবী শর্ম্মা মেমোরিয়েল লিগ কম নোকআউট কেন্দ্র ৱাইস কাং তুরনামেন্ট ২০২৫ গী ঙসি শান্নখিবা মেটচতা-নম্বোল কাংখুৎনা এস.এস.য়ুবু পাঞ্জল ১৬-১৩ দা থোইখ্রে।

**ক্রিকেট (এল)ঃ** অনিশুবা খোমদ্রাম ওংবী হিজম মেমা দেবী মেমোরিএল টি-টোইন্তি মনিপুর ভেটরান ক্রিকেট টুর্নামেন্ট ২০২৫ গী ঙসি শান্নখিবা মেটচতা-আর.এন.ই.এফ. ময়াং ইম্ফালনা এল.সি.সি-লমশাংবু রন-৫৪ থোইখি।

অতোপ্পা মেটচ অমদনা-ৱাই.য়ু.সি.সি. ক্বাকৈথেল মোহরাংপুরেলনা মোদেল চিংঙামখাবু রন-১১ দা থোইখি।

**ক্রিকেট (এল)ঃ** অনিশুবা এম.এন.সি.এ. মেন্স অন্দর টোইন্তি থ্রি হাওবম বিরমঙ্গো সিংহ মেমোরিএল ট্রোফি ২০২৪-২৫ গী ঙসি শান্নখিবা মেটচশিংদা-রেজ খ্বাই নাগামাপাল নবাবম লৈকাইনা অল অমিন লিলোংবু ৱিকেট তরেৎতা থোইখি। লাইরেঞ্জম পাব্লিক গ্রাউন্দদা শান্নখিবা মেটচ অমদনা কে.এ.এস.সি. খোমিদোকনা ই.এস.য়ু. ৱাংখৈ পেলেস কম্পাউন্দবু রন-৩ দা থোইখ্রে।

খুদৈবন্দ লম্পাক তাউথোংদা শান্নখিবা মেটচ অমদা ৱাই.য়ু.সি.সি. ক্বাকৈথেল মোইরাংপুরেলনা আর.সি.এ. লিলোংবু রন-১৩ দা থোইখি অমদি মোদেল হয়ার সেকেন্দরি অমসুং ওরিয়েন্টেল কলেজ গ্রাউন্দদা শান্নখিবা মেটচতনা ক্রাউ খামনাম বজারনা মোদেল-শিংজমৈ চিংঙামাখাবু রন-তরুক্তা থোইখি।

অহানবা এম.এন.সি.এ. ৱিমেন্স অন্দর টোইন্তি থ্রি ৱান ডে ট্রোফি ২০২৪-২৫ গী ঙসি শান্নখিবা মেটচতা সেদো থাংমৈবন্দনা পি.সি.সি. ময়াই কোইবীবু রন-৭৫ দা থোইখ্রে।